# সিবিএসই না লৌবা টুয়েল্ভ পরিক্ষাদা মণিপুরদগী মোহম্মদ ইস্মাটনা ভারত পুম্বগী মকোক ওইরে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, মে ২৮ঃ*** সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এডুকেসন নিউ দিল্লি (সিবিএসই) না লৌবা চহিসিগী টুয়েল্ভ পরিক্ষাগী ফল ঙসি অয়ুক লাওথোকখিবগা লোয়ননা পরিক্ষা অসিদা মণিপুরদগী সাইন্স ষ্ট্রিমদা জেনিথ একাদেমিগী মহৈরোই লিলোং হাওরৈবী ময়াই লৈকাইদগী মোহম্মদ ইস্মাটনা ভারত পুম্বগী মকোক তাখ্রে।

এমভি বাসিরু রহম্মন অমসুং লৈখিদ্রবা সনাহনবী বিবি অনিগী মচানুপা মোহম্মদ ইস্মাটনা পরিক্ষা অসিদা ইংলিসতা মার্ক ৯৮, ফিজিক্সতা ৯৭ অদুগা মেথ, কেমিষ্ট্রি, হোম সাইন্স অমসুং ফাইন আর্টসতা চাম্মদা চাম্মা ফংদুনা অপুনবগী মার্ককী চাদা ৯৯.৬ ফংদুনা পরিক্ষা অসিদা ভারত পুম্বগী মকোক তারকখিবনি।

মহৈরোই মোহম্মদ ইস্মাট অলফা ইংলিস স্কুল লিলোংদা ক্লাস ফাইভ ফাওবা তম্লবা মতুংদা মখা তানা কেন্দ্রিয় বিদ্যালয় অমসুং সৈনিক্তা তমখি। অদুগা ইলেভেনদগী সঙাইপ্রৌদা লৈবা জেনিথ একাদেমিদা তম্লকখিবনি। ক্লাস টেনগী সিবিএসইনা লৌবা পরিক্ষাদসু মণিপুর পুম্বগী ওইনা ইস্মাটনা অনিশুবা পোজিসন তারকখিবনি।

ভারত পুম্বগী ওইনা মকোক তারকখ্রবা ইস্মাটনা ফোঙদোরকখিবদা, টুয়েল্ভ পরিক্ষাদা মহাক্না ভারত পুম্বগী মকোক ওইগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈখি অমসুং মদুমক ওইখি। মহাক্কী পুন্সিদা ফিজিক্স সবজেক্টতা পৃথিবীগী ওইনা মশক নাইবা মীওই অমা ওইগে হায়বসি অপাম্বা ওইবনা মখা তানা দিল্লিদা লৈবা সেন্টষ্টেফেন কলেজদা ফিজিক্স ওর্নস তৌগনি। লোয়ননা য়ুপিএসসিনা লৌবা সিভিল সার্ভিস পরিক্ষাদসু ত্রাই তৌগনি।

ইস্মাটনা পরিক্ষা অসিদা ভারত পুম্বগী ওইনা মকোক তারকপদা হরাওবা ফোঙদোক্লদুনা লিলোং কেন্দ্রগী এমএলএসু ওইরিবা হৌজিক হৌজিক গুৱাহাটিদা এগ্রিগী কনফরেন্স অমদা শরুক য়াদুনা লৈরিবা এগ্রি মিনিষ্টর এমদি নাসিরনা মহাক্কী মায়কৈদগী লুপা ১,১১,১১১ পীরগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে। হৈঙাং কেন্দ্রগী এমএলএ শ্রী এন বীরেন্নসু মহাক্কী মায়কৈদগী লুপা লিশিং ২০ পীগনি লাওথোকখ্রে। লোয়ননা তুংগী কম্পিটিটিভ একজামিনেসনশিংদা অৱাংবা থাক্তা মায় পাক্লনবা বর পীখ্রে। মরকসিদা মণিপুর ষ্টেট মাইনোরিটি কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন এ হেলিম চৌধুরি (আইএএস রিটায়ার্দ)নসু হরাওবা ফোঙদোরকখ্রে।